## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ময়াই তাংবল লৌদুনা সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলগী ওফিসতা চিংশুবম থম্বালঙৌ অমদি চিংশুবম ওংবী চান্দনি অনীগী মচানুপা চিংশুবম সুরজাকান্তা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবদা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। সুরজাকান্তানা হিংলিঙৈ মতমদা য়ুব মোর্চা বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলদা লৌরম্বা থবক থৌরম কয়াবু বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলনা ইকাই খুম্নবা উৎলি হায়না বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি রঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

## ‘ঐখোয়গী তৌদ্রী’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): উরিপোক খ্বাইব্রহ্মপুর, ইম্ফালগী য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্সনা শীন্দুনা জ ৱাহরলাল নিঙোম্বমনা ইবা ‘ঐখোয়গী তৌদ্রী’ হায়বা লাইরিক অমা ঙসি নুংথিল হিয়াংথাংদা লৈবা শঙাই বজার কমপ্লেক্সতা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী হান্নগী ষ্টেসন দিরেক্টর দিলিপ ময়েংবমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ ‘সাহিত্য একাদেমি’ ন্যু দিল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকমারনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইখি। থৌরম অসিগী মপুনা রিজনেল আউটরিচ ব্যুরো, ইম্ফালগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ডা. অরিবম ইবোমচানা ওইখিবগা লোয়ননা লাইরিক্কী মরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর মাখোনমনি মোংসাবনা ৱা ঙাঙখি।

## কুম্বীদা ‘ইপুগী মীৎশিং-নাশিং ৱাপুঙ’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): পোইরৈ কুমহৌ খোর্জে লূপ (পি কে কে এল), কুম্বীগী ঙসি পাঙথোকখিবা অনীশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমগা মরী লৈননা অহুন্নক শুরকপা ওইনা ‘ইপুগী মীৎশিং-নাশিং ৱাপুঙ’ (পাউতাক) কৌবা দল্লিয়ু য়াইমনা ইবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী অহানবা ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। ঙসিগী থৌরমশিং অসি কুম্বীগী লাইনিংথৌ ঈশিং চাইবা থেলদা পাঙথোকখিবনি।

লাইরিক অসিগী অইবা ৱাহেংবম য়াইমা কুম্বী অৱাং লৈকায়দগীনি। থৌরম অসিদা পি কে কে এলগী সেক্রেটরিনা শরুক য়ারখিবশিংবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ বিপিননা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা লাইরিক অসিবু কুম্বী কোলেজগী ভাইস প্রিন্সিপাল কে ঐচ গ্যানিভুসননা মশক তাকখি।

## লিগেল সর্ভিসেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) চান্দেলনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গা খূৎশম্নদুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লুনাজাং ভিলেজদা মাইক্রো লিগেল সর্ভিসেস কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা বেনিফিসরিশিংদা ফ্রী লিগেল সর্ভিসশিং ফংহনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা পূন্না বেনিফিসরি ২১দা মসিগী কান্নবা ফংহনখি। বেনিফিসরিশিং অদুবু কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবা দি এল এস এ, চান্দেলগী ওফিসলশিং, পেনেল লোয়র অমসুং পি এল ভিনা লেবর কার্দশিংগীদমক শেম শাবা অমসুং মসিদা এনরোলমেন্ট তৌবগী মতাংদা কান্নবা পীখি।

দি এল এস এ অসিগী পেনেল লোয়রশিংনা বেনিফিসরিশিংদা নালসাগী লিগেল সর্ভিসেস এপকী মতাংদসু খঙহনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লিগেল সর্ভিসশিং শীজিন্নবগী মতাংদসু খঙহনখি। অসিগুম্বা প্রোগ্রামশিং অসি দি এল এস এ অসিনা শীন্দুনা মখা তানা চঠখিগনি হায়রি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.443286 |
| US Dollar | 73.746863 |
| British Pound | 100.926788 |
| Australian Dollar | 53.507450 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.401054 |
| Japanese Yen | 0.667415 |
| Malaysian Ringgit | 17.608613 |
| Singapore Dollar | 54.463164 |
| South Korean Won | 0.062580 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.665830 |
| Thai Baht | 2.206477 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 45735.00 |
| Mumbai | – | Rs | 46100.00 |
| Delhi | – | Rs | 45962.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46245.00 |

## হকচাং কৎথোক্লম্লে...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রি। মহাক্না পাল্লম্বগী মতুংইন্না ঙরাং মহাক্কী লোয়নবীনা মহাক্কী হকচাং কৎথোক্লবগী ৱিল অমা থৌরাং তৌখিবনি হায়বগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিদা মেদিকেল এদ্যুকেসনগীদমক হকচাং অদু কৎথোরকপদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লৈখিদবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবুসু নাদ-য়েক্তবা, পুন্সি নুংশাংবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পীনবীরসনু হায়রি।

ঙসি মহাক্কী হকচাং কৎথোকপা অদুদা লৈখিদ্রবগী মচানুপা অহল লাংপোকলাকপম সরতচন্দ্র মৈতৈ অমসুং মচানুপা য়াইমা মনাওনা ৱিটনেসশিং ওইনা খূৎয়েক পীখি। লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৮.১১ তারকপদা কৎথোক্লম্বনি হায়রি।

## কলমগী মনা...

*লামায় ১গী মখা...* কলমগী জেনরেল সেক্রেটরি জমুনা ময়েংবমগী চেরোল অমনা মনাশিং অসিগী লাইরিক ফোঙখিবগী মতমদি কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদগী ওগষ্ট ২০২১ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি। পীগদৌরিবা মনাশিং অসিদা লুপা লিশীং ৫/৫, সাইটেসন অমদি সোল য়াওরি। লোয়ননা মনাশিং অসি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা কৎপীরকপা ঙাক্তনি। লাইরিক থাজিনবীরকপগী অরোইবা মতম ওক্টোবর ১০, ২০২১ ওইগনি। লোয়ননা অকুপ্পা মরোলশিংগীদমক টেলিফোন নম্বর ৭০০৫০৯৫৮৭০, ৯৭৭৪২১৬৮৯৭ অমসুং ৮৭৯৪০০৮৯৫৮দা কন্টেক্ট তৌবীরকপগা লোয়ননা লাইরিক থাজিনবীরকপা মতমদা কোপি ৩/৩ থাজিনবীরক্কদবনি। মনাশিং অসি ফেব্রুৱারী ৯, ২০২২দা পাঙথোক্কদবা কলমগী ফাউন্দেসন দে থৌরমদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

## এম এল এ রাধেশ্যামনা এক্স মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোবু ...

*লামায় ১গী মখা...*এনা মখা তানা হায়, তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরবা মতুংদা ঙসি মীয়ামগা পূন্না অমুক উন্নবা ফংজবা অসি য়াম্না নুংঙাই। লায়না অসি মপূং ফানা মুখৎত্রিফাওবদি ঐখোয় চেকশিনবা তোকপদি য়াদে হায়খি।

পোলিটিকেলগী মতাংদা পল্লদুনা এম এল এ হৈরোক এ সী অপূনবদা হান্না কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পার্টিশিংদা ভোট পীরম্বা মীওইশিংনা বি জে পিবু নুংশিবীদুনা পার্টি অসিদা চঙবীরকপসি হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৭৩৫ শুরে। মসিগী লিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা য়েংবীগে হায়রবসু থোঙ লাউনা হাংলি। অমরোমদা হৈরোক এ সীগী কোংগ্রেস পার্টিনা বি জে পিদগী মী ১৭০০ রোম তোক্লে হায়রিবদু লিষ্ট পুথোকপীবা ঙমগদ্রা। বি জে পিদা চঙলকপনা অসুক লৈরে, কোংগ্রেসতা চঙলকপনা অসুক লৈরে হায়না মীয়াম মাঙদা হেক্তা পুথোক্লসি। মদুদা অরানবা প্রোপেগন্দা তৌরম্বা ওইরগনা ভোট লেপ্পদবী তৌসি হায়না এম এল এনা ফোঙদোকখি।

বি জে পিদি মীয়ামগী থৌগল তৌরগা মীয়ামগী মীনুংশি অদুনা মায় পাকপা পামজবা পার্টিনি। মসিগী ৱাখল্লোন্দা পার্টি অসিনা ঙসি ফাওবা থবক তৌরি। কোংগ্রেস পার্টিদি মরাই চাইথরক্লবা পার্টিনি। পার্টি অসিদা মীয়াম্না থাজবা করি অমত্তা থমদ্রে। কোংগ্রেস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বিষ্ণুপুর এ সীগী ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম ফাওবা পার্টি অসিদগী তোকপদা নত্তনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ফাওবা ওইবা তোকখ্রবনি। কোংগ্রেসতা মখা তানা থাজবা থম্বীরগনু হায়খি।

পোলিটিক্স হায়বা অসিদি মীয়ামগী থৌগল তৌবনি। মীয়ামগী অৱা অনা, অৱাৎ অপাশিং মেনখৎপা হায়বসিনা এম এল এ অমগী মথৌনি। হৈরোক এ সীদা হান্নগী মীহুৎ এম ওকেন্দ্রোগী মতমদা হৈরোক এ সী লৈখা তাখি। এ সী অসিদা মশক নাইবা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়বা মীওই অমত্তা শেম্বীরমদে। মদুগী মরম হৈরোক এ সীদগী অচৌবা মী অমত্তা থোরকপা এক্স মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোনা পামখিদে। মতম চুপ্পদা মাগীতা ওইনীংবগী ৱাখল্লোন্দা এম ওকেন্দ্রোনা মীয়ামবু নমথরগা থমখি হায়নসু মরাল শীখি।

মীয়ামগী লুচিংবা হায়বসিদি ওইদবা খক ঙাঙলোইদবনি। লুচিংবনা ওইদবা ঙাঙলবদি মাগী তুং ইনবশিংসু মিস গাইদ তৌবগুম থোক্কনি হায়খি।

## আশা অমসুং অঙ্গনৱাদি ...

*লামায় ১গী মখা...* মথৌ পাঙথোকহল্লিবনি। অদুবু মখোয়গী ফংফম থোকপশিংদি ফংহন্দনা লাক্লি। কনাগুম্বা আশা ৱার্কর অমা লৈখিদবদা লুপা লাখ ৫০গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা পীনবা দিমান্দসু ঙসিগী মীফম অসিনা তানবদা য়াওরি হায়খি। কোভিদ ৱারিয়রশিং ওইরিবা আশা ৱার্করশিংদা পি পি ঈ, সেনিটাইজর, ওক্সিমিটর অমসুং মাস্কনচিংবশিংসু মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়খি।

হৌজিক্কী মতমদা স্কিম ৱার্করশিংনা থা অমদা লুপা লিশীং ১দগীনা ৩ ফাওবা ফংলগা মতৌ করম্না হিংবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি লৈঙাক্লসু খঙবীগদবনি। সেন্টরনা থাদরক্লিবা শেলশিংদা ষ্টেটকী স্যের হাপচিনবীদুনা ফংহনবীগদবনি। এন আর ঈ জি এসকীদি নুমিৎ ১০০নি থবক শুগদবা অদুসু থবকশিং নুমিৎ মশীং শুনা শুহন্দবগী ৱাফমসু ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱাকৎ খোঙজং অসিদা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## হাৎপনা ৱারোইশিন নত্তে ...

*লামায় ১গী মখা...* জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (সদর এন্দ বিষ্ণুপুর) জোন, চুড়াচান্দপুর জোন, নুংবা জোন, খৌপুম জোন, নোনে জোন, বরাক ভেল্লি জোন, তমেংলোং জোন, সেনাপতি জোন, জেলিয়াংরোং ৱিমেন য়ুনিয়ন (মণিপুর), কবুই মাদরস এসোসিএসন মণিপুর (কামা) অমসুং জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না কন্দেম তৌই হায়রি।

অথুৱান অবোনমাইনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসি মণিপুরগী মীয়ামগীদা নত্তনা অকক্লনা জেলিয়াংরোং মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মাঙজবনি। মহাক লৈখিদবদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী তোঙান তোঙানবা জোনশিংগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা মহাক মণিপুরগী ট্রাইবেল মীয়ামগী মনুংদা কৎথোকপা অমসুং মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা লুচিংবনি। মহাক্না ষ্টেট অহুমদা লৈরিবা জেলিয়াংরোং মীয়ামগীদমক য়ুনিটি শাগৎননবা লেপ্লম্মী। মহাক্কী তেল্লবা পুন্সিদা জেলিয়াংরোং মীয়ামগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈননবা হোৎনরম্মী। মহাক্না জেলিয়াংরোং মীয়ামগীদমক্তা কৎথোক্লম্বা থবকশিং অমসুং পায়খৎলম্বা য়াইফ থৌরাংশিং অদুবু মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়রি।

মহাক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী হেদ ওফিস (ইম্ফাল) দা পাঙথোকখ্রে হায়বগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদু য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট অজাং রোংমৈনা লুচিংখি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী জোনেল লিদরশিং, চর্চকী লুচিংবশিং, লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিং, মহাক্কা লুনা-চান্না তিন্নজরম্বশিং, নুপীগী লুচিংবশিং অমসুং ষ্টেট অহুমদগী লাকপা জেলিয়াংরোং মীয়াম্না শরুক য়াখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্নহৌরিবা অৱা-অনাদসু শরুক য়াবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অথুৱান অবোনমাইগী থৌদোক অসিবু ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু দিপুনা থোরকপা চেরোল অমনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্তুনা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাই চীংমী লক্তগী তোপ তোপ্পা অথোইবা লুচিংবনি। মহাক্লম্বা মীওই অমবু প্রী প্লান তৌরগা তমথীনা হাৎতোকখিবা হায়বসি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা চীংমী-তম্মী ফুরুপ পূম্নমক্কী মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা মাঙজবনি হায়রি।

লোয়ননা পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দিমোক্রেটিক মুভমেনন্ট (পান্দম) গী সেক্রেটরি আই পি আর রোসনিকান্ত তখেলচানা থোরকপা চেরোল অমদনা, অথুৱান অবোনমাইবু কনবা ঙমহৌদবা অসি গভর্ণমেন্টকী ইন্টলিজেন্স ফেল ওইরে তাকপনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা পান্দমগী থৌমীশিংনা পূল্লগা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কন্মিটি (এম পি টি সী সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি অবিরখানগী চেরোল অমদসু জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী এক্স প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা এদভাইজরসু ওইরিবা অথুৱান অবোনমাইবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙদগী ফাদুনা পুখ্রগা হাৎতোক্লম্ববু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) গী সেক্রেটরি আই পি আর টি কে মৈতৈগী চেরোল অমনসু মহাকপু মীনুংশি লৈতনা মীহাৎ থীনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক অদু ইপসানা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অপূনবগী ৱাখল চেনবা লমজিংবা অমা মাঙখিবসি কংলৈপাক মীয়ামগী মেনশিনবা ৱারগদবা অচৌবা মাঙজবনি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী জেনরেল সেক্রেটরি কাঙুজম নরেসকুমারগী চেরোল অমনসু মণিপুরবু শেংনা নুংশিজবা অথুৱান অবোনমাইগী মীহাৎ অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা খুদিংমক পুথোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা অপীল তৌরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ (এইমস) কী জেনরেল সেক্রেটরি নিকারসন খুমনচাগী চেরোল অমনসু থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা মরৈবাক মরমদম নুংশিজবা কাঙলূপ-ফুরুপ নাইবগী ৱাখল্লোন কয়াবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা চীংমী তম্মীগী অপূনবগী শক্তম অমা পুরক্লবা পাউজেল কয়া পীরিবা অমদি অফবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা থৌনা ফনা অচুম্বা ৱাফম কয়া হায়দোকপদা অকিবা লৈতবা অথুৱান অবোনমাইগুম্বা মীশক অমা মাঙখিবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়রি।

## আই এমনা হাৎলগদি মণিপুরদা করম্না সিজ ফায়র চত্তে ...

*লামায় ১গী মখা...* লৌখৎখিবা অমসুং মথৌনা লৈরবা আই আর বি কম্যান্দো ময়াম লৈখিবনি। মসিদা সোসল ৱার্কর ওইনা মণিপুর মীয়ামগী থবক তৌজরিবা অদুগীসু মথক্তা মশামক এন পি এফকী কেন্দিদেট ওইখিবগী মথক্তা অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইখ্রবা মীওইনি। মহাকপু চীফ মিনিষ্টরগী অমদি সিক্যুরিটিশিংগী মমাঙদা ফারগা পুখ্রবা মতুংদা হাৎতোকপীবা হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না কন্দেম তৌফম থোকই। মহাক ফাখিবা মতমদা য়েংদুনা লৈহৌরিবা অদুনা কৈদৌদনা লৈহৌবনো, সিক্যুরিটিশিং কৈদৌহৌবগে, মসিনা মীয়ামদা চম্মবা পোকহল্লে। লৌতুনবা মানবা অমসুং মফম অদুদা কৌরগা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমা ওইরক্কদৌরে হায়দুনা থৌওইনা হাৎতোক্লবা শিনখিব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মরম অদুনা মহাকপু হাৎতোকখিবা থৌদোক অসি মণিপুরগী মীয়াম্না কন্দেম তৌফম থোকই হায়খি।

জেলিয়াংরোং ফুরুপকী ওইনা ঙসি ফাওবদা অবোনমাইনা ৱা ঙাঙবা তাদে। মহাক্তি মণিপুর মীয়ামগী ওইবা ৱাফমশিং ঙাক্তা ঙাঙখিবনি। মহাক্লম্বা মীশক অসিদি অতাঙবনি। মরম অসিনা হন্দক্কী থৌওং অসি লায়না লৌদে, লৌতুনরগা হাৎপনি হায়না লৌই। করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টরদা এটেক তৌবা ওইরম্লবদি খুদক্তা অদুম শিহনগদৌরিব্রা হায়নসু হংলকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অদুক য়াম্না চেকশিনখিদ্রিবা অদু করিগীনো। মদুগীদমক পুলিস পর্সনেলশিং সস্পেন্দ তৌবনা কান্নরোই। এস পি অমসুং দি সীগী মথক্তা ইনক্কারি তৌদুনা থিদোক্কদবনি। থৌদোক অসি মতুংদসু থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অদুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎহৌগদবনি হায়খি।

তম্পাক্তা ওইরবদি জীপসিদা লাক্লিবা মহাকপু ফাদুনা পুখিবা মীওইশিং অদু খুদক্তা মোংফম য়ৌগনি। চীংদা লো লৈত্রবরা, লৈত্রগদি তম্পাক্তা থল্লিবা লো অসি চীংদসু থম্বীয়ু। অদু ওইরগদি চীং-তমগী চপ মান্নবা মীৎয়েং লৈগনি। মাগী কম্পেন্সেসন পীবা/পীদবদুনা তোঙানবা অমনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লা থৌদোক অদু লায়না লৌবা য়ারোই। মসিদা ঙমদ্রগনা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্ট্রি অমদি মরী লৈনবদা চে থাজগে অমসুং উনজগে। লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীয়ু। মণিপুর পুলিসতা শিন্নবগী মহুত্তা এন আই এদা শিন্নদুনা চপ চাবা মরম থিদোকহনবীয়ু হায়খি।

লৌতুনবা মানবা মীহাৎ অসি মখা তানা থোরক্লগদি লৈবাক অসি মাঙলক্কনি। মরম অদুনা মহাক্কী মীশি অসিদা নাগাদা বেজ তৌরিবা ইচিন ইনাওশিং অমদি জেলিয়াংরোং ফুরুপকী মায়কৈদগীসু থৌওং অসি য়ানীংব্রা হায়নসু হংখি।

অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ এল ঙানবীনা মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়, অবোনমাই হায়রিবা মীওই অসিনা ঙাঙলম্বশিং তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই। সিক্যুরিটিনা খুরক হাংদনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর য়াওবা থৌরম মফমদগী ফাদুনা পুখিবদা করিসু তৌহৌদনা য়েংদুনা লৈহৌবনি। তম্পাক্তদি করিগুম্বা অমত্তা লেঙ-ওৎপা য়াদনা লৈরি। দেমোক্রেসিগী মরুমদা কনাগুম্বনা ৱাহে খরা ফোঙদোকচরুবগীদি শিফম নাফম খঙদনা ফারগা ফূদেক্লবা মতুংদা জেলদা এন এস এদা দিটেন তৌদুনা নমশিল্লিবনি। অদুবু সিক্যুরিটিগী মমাঙমক্তদগী ফারগা পুখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা করিমত্তা হায়দবা হায়বসি করিনো হায়না খনফম থোকই। মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমদ্রগা দিভেলপমেন্টনা করি কান্নগদৌরিবনো। মী লৈত্রবা লমদা দিভেলপমেন্ট পীরগা করি কান্নবা ফংগনি। দিভেলপমেন্টগা মীওইবগী পুন্সিগা মরী লৈনৈ। অদুবু মী লৈত্রবদি দিভেলপমেন্ট কান্নদে।

লৈখিদ্রবা অবোনমাই ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবশিং মুন্না খঙখিবা মীশকনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা অমসুং ইচুম চুমজখিবা মীওইনি। মাবু ফারগা হাৎখিবা অসি মণিপুরগী মাঙজবদা নত্তনা হাৎলিবা মীওইশিং অদুগীসু মাঙজবনি। থৌওং অসিনা ঐখোয়গী থম্মোয় শোকহল্লি অমসুং ফুরুপ-কাঙলূপকী ৱাখল য়াওদবা হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা চথরম্বা থৌওংনি। মথোং হুক্তবা অসিগুম্বা থবক অসি মতুংদা তৌগনু। লোয়ননা থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা জে এ সীনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংগনি হায়খি।

## শা-ঙাদা চৎকদবা লিচৎ চৎপা য়াদে হায়বা লৈঙাক্লা খঙহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* তোক্লোই। ঙরাং ফাওবা পুলিস সীনিয়রগী টিমশিংগা পুন্না করি-করি এক্সন লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু প্লান তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙরাং অদুমক পাউজী মীফম অমা পাঙথোক্লম্বা য়াবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা করি-করি এক্সন লৌখৎনবা থৌরাং তৌরবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহন্নিংবদগী নোংমা থেংথরগা পাউজী মীফম অসি পাঙথোকপনি। মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা অমদি ফানবা হোৎনবদা চেন্নরিবা মীপুম খুদিংমক পোলিটিসিয়ানশিংগী মরক্তা ওইরম্বা য়াই, সিভিল সোসাইটিশিংগী মরক্তা ওইরম্বা য়াই, অমা হেক্তা ওইরম্বা য়াই। মখোয় খুদিংমক্কী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌগনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিদিওশিং অদু উরবা মতুংদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। হোম মিনিষ্টর ইন-চার্জ অমা ওইনা ইশানা ইশাবু কন্দেম তৌজে। ঐখোয়গী পুলিসশিং অসিগী মোরাল অসি চীংগী লমশিংদা অসি য়ৌনা দাউন তৌরব্রা হায়না খল্লি। লৈকায়গী মী খৎনবনি হায়না লৌরিব্রা। তৌইগুম্বসুং পুলিসকী থৌদাং অমা ওইনা মীবু খৎনবা ওইরবসু, ফুবা ওইরবসু অমদি ফাদুনা পুবা ওইরবসু লৈরিবা য়ুনিফোর্ম শেৎলিবা পুলিসশিং অদুনা চঙশিন্দুনা করিনো খঙদোকপা অমদি ফুরিবা-ফারিবা মীওই অদুবু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি অহানবা থৌদাংনি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা পুলিসশিংনা তৌখিবা থৌওংশিং অদু য়ানিংদে কন্দেম তৌই অমদি ঐহাক ইশামকপু কন্দেম তৌজরি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়জরি। মরুওইবা পুলিসকী সীনিয়র ওফিসরশিং কৌদুনা ভিদিও ফুটেজ অদু য়েংলগা থৌদোক থোকফমদা লৈবা মথৌ তৌদনা লেপ্পুনা লৈবা পুলিসশিং অদু শক খঙদোক্লে। মদুগী মনুংদা ও সী য়াওনা পুলিস পর্সনেল ১৬ আইদেন্টিফাই তৌদুনা সস্পেন্দ তৌরে। হৌজিক সস্পেন্দ তৌরিবা অসিসু চুম্নতা সস্পেন্দ তৌরোই। সস্পেন্দ তৌখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুগা টেররিষ্টশিং অদুগা লৌতুনবা য়াওব্রা হায়বসিসু য়েংগনি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থীগৎনবা দি আই জি য়াওবা কন্মিটি অমা শেম্লে। সস্পেন্দ তৌখ্রবা পর্সেনেলশিং অদু অমমমতা ওইনা ইন্টরোগেসন তৌদুনা দিপার্টমেন্টনা তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগনি। কেস অসিদা চেন্নরিবা গ্রুপশিং অদু করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগা সিজ ফায়র তৌনরিবা গ্রুপ অমগী মরক্তগী ওইরম্লবদি কেস অসি এন আই এদা হেন্দ ওভর তৌরগা চপ চাবা এক্সন লৌনবা হোম মিনিষ্টরদা থবক তৌহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ফীরেপ চপ চানা লৈ। মসিগী মরক্তসু ঐখোয়গী মায়কৈদগী থীগৎপা য়াবা তৌবা য়াবা থবকশিংসু তৌগনি।

লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাইগী ইমুং মনুংনা অমদি লৈবাক মীয়াম্না ৱারিবা অদু উবা ফংই। ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শরুক য়ারি। অসিগুম্বা য়াম্না তমথীবা টেররিজমগী থৌওংশিং অসি মণিপুরদগী মুথৎনবা হোৎনগনি। মমাঙ চহী অহুম-মরি অসিগী মনুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকখিদ্রবনি। মরম অদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অমুক হন্না কন্দেম তৌই। অদুগুম্বা থৌওং অদু তৌবা হৌনদে। থৌদোক অদু গভর্ণমেন্টনা তরাইনা লৌদে। লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা কোম্বিং ওপরেসন হৌখ্রে। মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদ্রিবা ফাওবা কম্বাইন্দ টিম্না কোম্বিং ওপরেসন মখা তানা চৎথখিগনি। মরাল লৈবা মীওইশিং অদু শুংশোয় শোয়দনা ফাবা ঙমগনি হায়না মণিপুরগী মীয়ামদা থাজবা পীজরি। লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাইগী ইমুং-মনুংদসু থাজবা অসি পীজরি। অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা মহাক্কী ইমুং মনুংদা নোর্মেল এক্স গ্রেসিয়া নৎতবা অমা কেবিনেট মীটিং অমা ফল্লগা অমদি ইমুং-মনুংগা তানরগা মতেং পাংগনি। লোয়ননা লৈহৌরিবা লোইনবি অমদি ইমুং-মনুংগী মচাশিং নুপা অমদি নুপী অদুগা চান্নবা থবকশিং পীগনি। করিগুম্বা পুলিসতা চঙগে হায়রবসু ক্বালিফাইদ ওইবা লৈরগদি মওং তাবা অচৌবা পোষ্ট অমা পীনবা হোৎনগনি। অসিগুম্বা শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎ চৎপা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়াদে হায়বা খঙহনগনি হায়খি।

## পি এল এগী ৪৩শুবা কুমওনদা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট আই চাউরেননা ...

*লামায় ১গী মখা...* লাকখ্রবা ময়াং লান্মীশিংবু ঐখোয়না ইরমদম অসিগী অশেংবা লান্মীশিংনি হায়না লৌবা চুপ্লোই। মখোয়দি লমদম অসিবু খুদুম চন্দুনা থম্নবা লোইলম মপু ইন্দিয়ানা থারকপা লমলৌ লান্মীশিংনি। মখোয়গী মথৌদি লমদম অসিদা লৈবা মীয়ামগী নীংতম ৱাখল্লোন মাঙহন্নবা অমদি শরৌ লাং কয়া থাক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈনবা অমত্তা ওইবগী মরী থদৎতুনা খুন্নাই অসিগী অপূনবা পাঙ্গল লৈহন্দনবা হোৎনবনি। মখোয়গী খুজিল থৌরাংদগীনি ঙসি মণিপুরদা ফুরুপ নাইনবগী ৱাখল্লোন্না খুন্নাইগী পুন্সিদা চরাংনবা ফীভম কয়া থোকহল্লিবসি। মসিবু ঐখোয়না থিংহৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি ইপা ইপুশিংনা মীরৈবাক্কী পাঙ্গলদা চঙজবগী ৱাখল মচেৎ অমত্তা পোকখিদনা শেমগৎপীরকখিবা অথৌবশিংগী লৈবাক (হেরোইক কন্ত্রি) অমনি হায়নসু মালেমগী মীয়াম্না শকখঙনরক্লবা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা মতম চুপ্পগী ওইনা পায়শিনখ্রগনি হায়রি।

মরম অদুনা চহী লিশীং ২ হেল্লক্লবা নীংতম্বগী পুৱারীবু পুময়োৎ য়োৎশিন্দুনা মণিপুরবু ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী কলহৌনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না হৌজিক চঙশিল্লিবা মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জং অসিদা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াবা তাই হায়রি।

অমরোমদা, মীখা পোনবা লৈবাক ওইনা লৈরবসু মণিপুরনা চাওখৎ লমজেল তান্নরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়াওদনা লৈবা য়ারক্তবনা নীংতম লাঞ্জং চঙশিল্লিঙৈ মতমসিদসু মণিপুরবু শেমগৎ শাগৎপদা শরুক য়াবা হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্কী তৌফদ্রবা থৌদাং ওইরি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা পাল্লকখিবা হঙলাই লৈঙাকশিংনা ইরমদমগী ওইবা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থৌরাং অমত্তা মীয়ামদা যূন্সফম ওইরগা পায়খৎলক্তবা অসিনা চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইহল্লি। কুমজা ১৯৯১দগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না চাওখৎ থৌরাংগী (দিভেলপমেন্ট) মীংদা শেমগৎলক্লিবা কুম পুরবা ‘লুক ইষ্ট পোলিসি’ হৌজিক্লা ‘এক্ট ইস পোলিসি’ হায়না ওন্থোকখ্রবা থৌশিল অসিদা মণিপুরনা মফম অমা কলহৌদুনা ইরমদমগী শেন্মীৎলোন্দা মতেং ওইহনগদবা অকক্লবা থৌরাংশিং ঙসিগী লৈঙাকপশিংনা পায়খৎনীংবগী মমি তাদ্রি। এসিয়াগী মনুংদা অচৌবা রিজননি হায়বদি সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমদি সাউথ এসিয়া অনীগী লংদাইদা লৈদুনা য়াম্না মরু ওইবা লম্বী ফাওনফম অমা ওইরক্কদৌরিবা মণিপুরদা করম্বা মখলগী কান্নবা লৌহৌবা য়াবা থবকশিং লৈবগে হায়বদুদা মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা মীৎয়েং চঙশিনবগী মহুত্তা শেঞ্জাও তানবশিংগী চিৎথি-নাম্থহৌবা খুলহৌবরোমদা ওইনা মীৎয়েং থম্বগুম তৌরি। পিকচরবসু পিক্লা জিরিবাম অমসুং মোরেবু ‘স্পেসল ইকনমিক জোন’ ওইনা শেমগৎতুনা রিজন অনী অসিগী পোথোকশিং য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা য়াবা কৈথেল ওইহৌনবগী ৱাখল ঙসিসু মমি তাদনা লৈরি। মদুগী মহুত্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কনেক্টিভিটি ফংগৎহনবগী মীংদা পাংন-শানবা শেল্লিবা জিরি লম্বী (এন ঐচ-৩৭) অমদি থোং অমা অনী আর সী সী (রি-এনফোর্স সিমেন্ট কনক্রিট) দা শারগা হরাওদুনা লৈঙাক পায়রকপগী অচৌবা হোৎনজমনগী মায় পাকপনি (এচিভমেন্ট) হায়না লাউরিবা অসি মতমসিগা চুনবা ওইররোই হায়রি।

শুপ্নতগী ষ্ট্রেটতা কিলোমিটর ৭৯ রোমতমক শাংবা জিরি লম্বীবু কিলোমিটর ২১০ হেন্না শাংনা চৎথোক চৎশিন খরা য়ানবা শেল্লগা ২১শুবা চহী চাদা লৈবা ঐখোয়না হরাওনা ওক্কদবা নত্তে। মাঙজিল থানা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদদি ফনা য়াম্না চীংলক মাল্লক ওইরবসু, অকোনবা মফমশিং শমদৎপা য়াবা শমদৎতুনা লম্বী তেনশিনহনবদা নত্তনা লমলক্কী শা-উচেকশিংনা লিৎশিল্লকপা ঙমহন্দনবা অকুংবা শম্বল খাদুনা লম্বী চৎপশিংবু ৱাখল লৈতাহন্নবা অমদি লম্বী তেনশিল্লকপদগী কল্লকপা মতম অদুনা থবক্তা থাদহন্দুনা হেন্না কান্নবা লৌহল্লিবনি। হান্নদি চাইনানা ‘বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিভ’ (বি আর আই) গী মখাদা অতৈ লৈবাকশিংগা পূন্না শেন্মীন্নরক্লিবা অসিগুম্বা মখলগী লম্বী থোং অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিং মরু ওইনা য়ু এসনা লৈবাকশিং অদুবু শেন্দোংনা খ্বাং কোয়হন্নবা (দেবট-ত্রেপ) চাইনাগী লাং অমনি হায়না হুল্লম্লবসু হৌজিক্তি মদুগী কান্নবা খঙনরকপদগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী ওইবা বি আর আইগা মান্নবা থৌরাং অমা শেমগৎনবা জো বাইদেননা ৱা হৌদোকখ্রে। হন্দক চহীগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা জি ৭কী সবমিট অদুদা বি ৩ দব্লিয়ু (বিল্দ বেক বেট্টর ৱর্ল্দ) হায়বা ৱাখল্লোন অমা হৌদোক্লদুনা থবক চঙশিনবা হৌনবসু খন্নখ্রবনি। য়ু এসকীদি চাইনানা মাঙজিল থানা খুমাঙ চাওশিল্লকপা অসি য়েংলগা মশাগীসু অনৌবা চাওখৎ খোঙথাংগী থৌরাংদা য়ু এস দোল্লর ১.২ ত্রিলিয়নগী শেনফম থাদদুনা লম্বী, থোং অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

অদুবু মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা শেঙ্গুং ঙাবদা চানবীরক্কনি থাজরিবা ইন্দিয়াদদি অসিগুম্বা চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা শেল থাদদুনা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা পার্টি পোলিটিক্স তৌনদুনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবরোমদা হেন্না ৱাখল থাদনরি। মমাঙ চহীশিংদা থবক্তি পাঙথোকপা উখিদনা শেমগৎ শাগৎপগী মীংদা থাদগনি হায়না লাউথোকখিবা শেনফমশিং অদুগুম্না হন্দক চহীগীসু ওগষ্ট ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস দোল্লর ১.৩৫ ত্রিলিয়ন থাদগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু ইন্দিয়ন মচাশিংনা থাজবা অমত্তা থম্নবা নত্তে। লৈঙাক মুনবা পাম্বা কাঙবুশিংনা অসিগুম্বা পংলাউ লাউথোকপগী মওং অমদি লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলশিংদা খুদোংচাবা লৌরগা ঈহৌ কয়া শাগৎলি, ঈরাং কয়া থোকহন্দুনা চরাংনবা লৈবাক অমা ওইহন্দুনা লৈরি। লৈঙাক পায়বশিংনসু মখোয়গী মহুত্তা পৱার লেঙদনা লৈনবা দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিংগী পিন্সিপলশিংবু থুগাই নৎত্রগা মখোয়না পাম্বা মওংদা শেরান্নন শীজিন্নৈ। -মথং-মথং

HL/P/6919/15-25

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto 13-09-21**
(sl.upto 56894)
Home delivery no: 9366471778, 8974087390, 8787632782
**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO/21/08/21**
VALID FROM15/08/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS
**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 02/08/2021**
Valid from 31/07/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking
Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
Booking:18-09-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.
also available 19kg and 5kg.
Please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encouraged online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection
**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR**
**Booking upto: 02/09/2021**
Valid from: 20/07/2021
Please Contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30 am to 10:30 am
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 15/09/2021**
Valid from 01/09/2021
**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

“CINE TV MANIPUR“
Only on ISTV & Impact tv

| Now Watching : | Coming shortly : |
|---|---|
| Cine talk, Ningsing Khonthang, Hello Cine tv, Music Video Albums, Manipuri Films etc. | Cine Quize, Adomgi Wahang Eikhoigi Paokhum, CineTv ga Nongma, Amuktang Unajage, Manipuri Teleplay & Tele Serial, New films etc. |

Ngasimak Adomgi LCO Unabiyu Amadi Subscribe Toubiyu.

ISTV (Pay Channel) : SD-112 & HD-125
IMPACT TV (Basic) : SD-111 & HD-705

Anouba Thouram Kaya Hapchinbaga Loinana Film Premiere Channel Ama Hangdoktuna Athuba Matamda Anouba Manipuri Filmsing Premiere Show hounabasu Hotnajari.

Cine Tv Adomgini. Cine Tv Meeyamgini.

CINE TV MANIPUR CINE TV MANIPUR